**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী সেকুর্যরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে, পোপি পান্বীশিংসু য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে।

২) লৈবাক্কী অতে মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- ত্রাইবেলশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপা হায়বসিনা মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মাংজিল থাবা থবকি।

------

পুলিস (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি জিরিবাম জিলাদগী সেকুর্যরিতি ফোর্সনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেকুর্যরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথবদা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ঙাইরাংবম অমদি লোঙা কোইরেং ভিলেজ অনিগী লোন্নবা মফমদগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল ৫, গ্রেনেদ ৫, সিঙ্গল বেরেল রাইফল ২, লোকেল মেদ পাইপ বোম ২, নোংমৈ মরু ৬০, হেন্দ সেট ৩ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

জিরিবাম জিলাগী মখা বস্তি ফোরেষ্ট এরিয়াদা ঙরাং সেকুর্যরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা আই.ই.দি ৭, জেলেটিন ষ্টিক ১০, আই.ই.দি ইলেক্ট্রিক

পৱার য়ুনিত ১, দিটোনেতর ২, কোরদেক্স মিতর ২৫, ইলেক্ট্রিক ৱায়ার মিতর ৫০ অমদি পেন্সিল বেট্রিরি ৪ ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়- মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা অমদি আইন্না য়াদবা থবক তৌবা মীওইশিং ফানবগীদমক লেপ্পা লৈতনা থি হুম্বগী থবক চথুরি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদগী ফারে। মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কুল অমদি কলেজশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী তরাও লাইমনাই ভিলেজদগী মীওই অমা, ককচিং জিলাগী পল্লেল মখা লৈকাই সাতু রোডতগী ড্রগকা কোন্ননা ফারে। মঙোনদগী সাপোন কেপ ৯ দা হাপ্লম্বা হিরোই নম্বর-ফোর ফাগৎখি।

পোপি (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথুরকপা পোপি য়ান্থৎপগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা উখ্রুল জিলাদা হৌজিক ফাওবদা লম একর ৪৩৬ তা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎপা ঙমখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী ঙরাং ফাওবদা চথুরকপা খোঙজং অসিদা উখ্রুল জিলাগী সোমদাল চীংশাং, লম্লাই চীংফৈ ভিলেজ অমদি লিতানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অতৈ সরকারগী এজেন্সিশিংগা খুৎশমদুনা পোপি য়ান্থৎপগী দ্রাইভ চথুখিবনি। মদুদা হায়রিবা মফমশিংদা অসিদা পুন্না লম একর ৪৩৬ তা হৌরম্বা পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখিবতা নত্তনা মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ ৫১ শু মৈ থাদুনা মাংহনখি।

মণিপুর পুলিস, অসাম রাইফলস অমদি সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী নিউ কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লোইবোল খুল্লেল ভিলেজদা লম একর ২০ দা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা ড্রগ শুংবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়াসু মৈ

থাদোক্কুনা মাংহনখ্রে হায়রি। জিলা অসিগী কোতলেন ভিলেজগী লম একর ২০ দা থারম্বা পোপি পান্বীশিং মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংনা য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মফম অদুদা শারম্বা শঙ ৫ য়াওনা ড্রগ শুংবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়াসু মৈ থাদুনা মাংহনখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

হেলথ (এল)ঃ ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুরনা শিন্দ্না কার্দিও ভাস্কুলর লায়না অমসুং ষ্ট্রোকতগী ঙাকথোকবগী মতাংদা সার্তিফিকেট কোর্স অমা ঙরাং ইম্ফালগী জেনিমসতা হৌদোকখ্রে।

কোর্স অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংবদা ষ্টেট নোদেল ওফিসার এন.পি-এন.সি.দি ডাঃ ৱাই. প্রেমচন্দ্র সিংহনা হায়- মণিপুরদা মমাং চহিদা হৌদোকখিবা হার্ট এটেকনা নাবা লায়েংবগী অখন্নবা প্রোগ্রামগী মখা তারকপা ওইনা কোর্স অসি হাংদোকপনি।

থৌরম অদুদা জেনিমস হোস্পিতালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ কে.ঐচ. লোকেশ্বর, পি.ঐচ.এফ.আইগী প্রোগ্রাম মেনেজর ডাঃ শন্তোস কুমার, জেনিমস মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী হেদ- প্রোফেসার ডাঃ রাজেন্দ্র থাংজম য়াওনা মীওই় কয়ানা শরুক য়াখি।

প্রেস ডে (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)না শিন্দুনা থৌরম অসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। সেফগার্দিং প্রেস ক্রেদিবিলিতি এদমিষ্ট রাইজিং মীস-ইনফোর্মেসন হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট জরনেলিষ্ট এৱার্দ ২০২৫ সু য়েন্থোক্কনি। ৱার্কসোপ অমসু পাঙথোক্কনি।

ওকপা (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাউদগী আরবিন্দ মোইরাংথেমনা য়ুনাইতেদ কিংদমগী ব্রাইটন অমদি হোপ সিতি কাউন্সিলগী পাব্লিক গ্রিভান্সেস রিদ্রেসেল ওফিসার ওইনা খল্লকপদা কৈব্ল লমজাউগী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিং অমদি মীয়ামা তরামা ওকখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ত্রাইবেল কাংলুপশিংদা অরানবা থৌওং চত্থবশিং কোকহন্নবা অমসুং চাওখৎ থৌরাং কয়াগী কান্নবা ত্রাইবেলশিংদা নিংথিনা য়ৌহন্নবা মহাক্কী সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

গুজরাতকী নরমাদা জিলাগী ত্রাইবেলনা নমনা খুন্দাবা দেদিয়াপারাদা ঙরাং লুপা কোতি লিশিং ৯,৭০০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনবা অমদি শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ত্রাইবেলশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপা হায়বসিনা মহাক্কী সরকারগী খ্বাইদগী মাংজিল থাবা থবকি। প্রোজেক্টশিং অদু ত্রাইবেল লুচিংবা অমসুং নিংতম লান্মী ভগবান বিরসা মুন্দাগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা জনজাতিয়া গৌরব দিবসকা মরী লৈননা হৌদোকখিবনি। তুংদা শুরক্তা লৈবা বিহারিশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য অদুগী বিধান সভা মীখলদা এন.দি.এবু চাউনা মায় পাকহনবগীদমক বিহারগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- হৌজিক্তি বিহার চাওখৎপগী অনৌবা থাক অমা য়ৌবা ঙম্লগনি।

নসা মুক্ত ঃ নসা মুক্ত ভারত অভিয়ান্না চহি ৫ শুরকপগী পালন থৌরম কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইন্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না থা অসিগী ১৮ দা অমৃটসরগী গুরুনানক দেব য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মীওই লিশিং ৭ লোম তিল্লবাা য়াই। লৈবাক অসিগী মীয়াম, মরুওইনা নহাশিংবু ড্রগতগী লাপথোকহন্দুনা হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমা পুরকবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নসা মুক্ত ভারত অভিয়ান অসি ২০২০ গী ওগষ্ট ১৫ দা প্রিভেন্সন, ত্রিটমেন্ট অমসুং রিহেবিলিতেসন হায়বা লম অহুম অসিদা পান্দম থমদুনা নিশা শিজিন্নবা থিংনবগীদমক হৌদোকখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লাঞ্জেন্নরিবশিংগী চাকথাক্কী মথক্তা য়ুমশামলদসু গভর্নমেন্টনা য়েংশিল্লক্লে, য়ুমশামল হন্থরক্লবদি চপ চানা থেংনগনি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

এম.এল.এশিং পুনবা ঙমদ্রিবা মখৈ লমদমসিদা ইং তপ্পা পুরকপা ঙমলোই হায়বা অসাং কসারগী ৱাফম পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরনা হ্বাইট মেপলিথো পেপরগী সপ্লাইয়র খনবদা ৱাথোক ওইরে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

মণিপুরদসু জজনাতিয়া গৌবর দিবস পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক শোইদনা শেমগনি হায়বগী থাজবা পীরম্লে হায়বা বি.জে.পি প্রসিদেন্ট সরদাগী ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

ত্রান্সপোর্ট অমদি টি.সি.আইগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরিনা মণিপুরনা থেংনরিবা সিভিল এভিএসনগী ইসুশিং মিনিষ্ট্রি ওফ সিসিভল এভিএসনদা পুখৎখ্রে হায়বা পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরে।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা জম্মু কাশ্মীরদা বোম পোকখায়বদা মীওই ৯ শিরে, ৩২ শোক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরে।

চহি অনিগী মতুংদা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল অমুক হল্লক্লে হায়না মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------